
৫ শুবা মিষ্টর থৌবাল অমসুং ২ শুবা মেন ফিটনেস বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ

# কৈশাম মিজেননা মিষ্টর থৌবালগী টাইটল লৌখ্রে, এন দয়ানন্দনা মেন্স ফিটনেসকী টাইটল ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম জি দব্লিয়ু এ) গী মীৎয়েং মখাদা বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন ওফ থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা লমদিং ইকোপ নিংথৌগী লাইবুঙদা পাঙথোকপা ৫ শুবা মিষ্টর থৌবাল অমসুং ২ শুবা মেন ফিটনেস বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্কী কৈশাম মিজেননা মিষ্টর থৌবালগী টাইটল লৌখ্রে। অদুগা কে বি জিম নোঙাংখোং থৌবালগী এন দয়ানন্দনা মেন ফিটনেসকী টাইটল ফংখ্রে।





থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা জিম কয়াদগী শাফবা ১৯ না শরুক য়াদুনা জুনিয়র, সিনিয়র অমসুং মেন ফিটনেস হায়না কেটিগরি অহুম খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা মঙাশুবা মিষ্টর থৌবাল অমসুং অনীশুবা মেন ফিটনেস বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হৈরোক এ সীগী এক্স-মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেননা চীফ গেষ্ট, বি বি এ টি বি এলগী প্রসিদেন্ট ঙাঙোম কান্তনা প্রসিদেন্ট, ৱাঙ্খে এ সীগী এম এল এ ওক্রম হেনরি, খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সুরজকুমার, এ এম জি দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট শামুরাইলাৎপম থম্বাল শর্ম্মা, ২০ শুবা জিলা পরিষদ শঙ্গাইয়ুম্ফমগী মেম্বর এম দি হিবজুর রহমন অমসুং শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ৱাহিদুর রহমননা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়ারি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী জুনিয়র কেটিগরিদা আর এফ এ থৌবালগী দব্লিয়ু সঞ্জয়না অহানবা, সলাই ৱাংজিংগী খুন্দ্রাকপম রোমেশনা অনীশুবা, আর এফ এ থৌবালগী চিংখৈঙানবা অথোকপমনা অহুমশুবা, আর এফ এ থৌবালগী কেএস মৈতৈনা মরিশুবা অমসুং লময়ানবা জিমগী মুতুম কেনিদিনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মেন ফিটনেসকী কেটিগরিদনা কে বি জিম নোঙাংখোং থৌবালগী এন দয়ানন্দনা অহানবা পোজিসন তাদুনা মেন ফিটনেসকী টাইটল লৌখি। রোয়ল ফিটনেস একাদেমিগী নোংথোম্বম সদানন্দনা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা মেন ফিটনেসকী রন্নর্স অমসুং রোয়ল ফিটনেস একাদেমিগী চিংখৈঙানবা অথোকপমনা অহুমশুবা অমদি লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্কী বাচস্পতিময়ুম সৈতরাজ শর্ম্মনা মরিশুবা অমসুং য়ু জি সেন্টর ৱাংজিংগী এম দি সকিল অহমদনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

৫ শুবা মিষ্টর থৌবাল অমসুং ২ শুবা মেন ফিটনেস বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী সিনিয়র কেটিগরিদা লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্কী কৈশাম মিজেননা অহানবা পোজিসন তাদুনা মিষ্টর থৌবালগী টাইটল লৌখিবনি। রোয়ল ফিটনেস একাদেমি থৌবালগী কেএস মৈতৈনা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা মিষ্টর থৌবালগী রন্নর্স অপ, রোয়ল ফিটনেস একাদেমি থৌবালগী চিংখৈঙানবা অথোকপমনা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা মিষ্টর থৌবালগী সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখি। অদুগা রোয়ল ফিটনেস একাদেমিগী ৱিল্লিয়ম লাইশ্রমনা কেটিগরি অসিগী মরিশুবা পোজিসন তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা তোঙান তোঙানবা কেটিগরি - জুনিয়র, সিনিয়র অমসুং মেন ফিটনেসতা মকোক মথং তাখ্রবা শাফবশিংদা মেদল, ট্রোফি অমসুং শেলগী মনাসু খুৎশিন্নখি।

# মুক্নাগী কোচিং কেম্প হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস) ঃ দাইরেক্টরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) লম্ফেলপাৎ, ইম্ফালনা না শীন্দুনা ওগষ্টকী তাং ৪ দগী ৮ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী কাঙশঙদা হায় স্কুল অমসুং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওইনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্ক-দৌরিবা মুক্না ৱার্কশোপ কম রেসিদেন্সল মাস কোচিং কেম্প ঙসি হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা লমদম অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৪ গী ক্লাস ৮ দগী ১২ ফাওবগী মহৈরোয় ১৫২ অমসুং ওফিসল ১৩ পূন্না মীওই ১৬৫ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা হায় স্কুল অমসুং হায়র সেকেন্দরিগী ওইবা নুমিৎ মঙানিগী মুক্না ৱার্কশোপ কম রেসিদেন্সল মাস কোচিং কেম্প হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দাইরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (এস) গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী টিঐচ কিরনকুমার (আই এ এস) না চীফ গেষ্ট, এদ্যুকেসন (এস/ ভেলি) গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী এদিস্নেল দিরেক্টর সী ঐচ শচি (এম সী এস) না প্রসিদেন্ট অমসুং ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসন (এ এম এম এ) গী ভাইস প্রসিদেন্ট অরুনকুমার থাংজমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মুক্না ৱার্কশোপ কম রেসিদেন্সল মাস কোচিং কেম্প অসি স্কুলদগী হৌনা মণিপুর ইনাৎকী ওইবা মুক্না মশান্না অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা চীংমী-তম্মী পূন্নমক অপূনবা অমসুং অমতা ওইবগী পান্দমদা পাঙথোকপা মুক্না ৱার্কশোপ অমসুং কোচিং কেম্প অমনি। তুংদা লাক্কদবা মীরোল অসিদা মণিপুরগী ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লৈরক্লবা মশান্না অসিবু ইনখৎলক্লিবা মীরোলশিংনা খঙনা চৎহনবতা নত্তনা মুক্না মশান্না অসিবু লমদম অসিদা অমুক হেন্না চাউখৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ কম রেসিদেন্সল মাস কোচিং কেম্প অমনি।

ৱার্কশোপ কম কোচিং কেম্প অসিদা আর্টস এন্দ কলচরগী রিটায়র্দ জোইন্ট দাইরেক্টর সাপম ভৈগ্য, এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মাখোনমনি মোংশাবা, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডো. সয়েদ অহমদ অমসুং ৱাই কে কোলেজকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এসঐচ ঘনশ্যামনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# মতম কুইনা লেপ্লুরবা টাইক্বান্দোগী মশান্না অমুক হিঙ্গৎহনখ্রে



জিরিবাম, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস) ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না শান্নরম্বা টাইক্বান্দো মশান্না অসি মতম কুইনা শান্নরুদ্রবা মতুং ঙসিদগী হৌনা ওল জিরিবাম টাইক্বান্দোনা শীন্দুনা জিরি কৈথেলদা মশান্না অসিবু হিঙ্গৎহন্নবগীদমক ঙসি হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপা নুমিৎ অসিদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা টাইক্বান্দো শান্নরোয় ২০ লোম্না অহানবা ওইনা তম্বা হৌখি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ওল জিরিবাম টাইক্বান্দো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ নদিয়াচান্দ, জিরিবাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত অমসুং ওল জিরিবাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সীঐচ রঞ্জিৎনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

মতম কুইনা লেপ্লুরবা টাইক্বান্দো মশান্না অসিবু হিঙ্গৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা ট্রেনিং অসিগী হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা জিরিবাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্তনা হায়খি, জিরিবামদা মতম অমদা য়াম্না মায় পাক্না অমদি শান্নরোয় কয়া পুথোক্তুনা লমদম অসিদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা মশান্না অমা ওইরম্মী। অদুবু মশান্না অসি কুইনা লেপ্লুরবা মতুংদা ঙসিদগী অমুক হিঙ্গৎহন্নবা জিরিবামদা মশান্না অসিবু শান্নবা হৌবসি ঙমখৈ লৈতনা হরাওবা পোকই। লোয়ননা ওল জিরিবাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেংসু পাংগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা গার্দিয়নশিংনা জিরিবামদা কুইনা শাংনা থাদোক্লুরবা এসোসিএসন অসিবু নৌনা অমুক হৌগৎলকপদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লকখি। লোয়ননা ওল জিরিবাম টাইক্বান্দো এসোসিএসনবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি হায়না ওল জিরিবাম টাইক্বান্দো এসোসিএসনগী ওফিসলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# এসিয়ন গেমস ২০১৮ দা মায় পাক্নবা য়াম্না কন্না শেম-শারি হায়না সিভ থাপানা ফোঙদোকখ্রে





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) ঃ এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা থংন-থংননা মেদল অহুম্লক লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী অমতা ঙাইরবা বোক্সর ওইরিবা অসামদগী হৌখিবা সিভ থাপানা থা অসিগী ১৮ দগী ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা অফবা পর্ফোমেন্স পুরকপা ঙম্নবগীদমক কন্না হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পর্ফোমেন্স হন্থরকপদগী অচৌবা টুর্নামেন্ট কয়াদা মেদল ফংদবা অদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী অফবা ওজা ওইরি হায়না ফোঙদোকখি। মমাঙগী এসিয়ন গেমসতা সিভ থাপা কার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌখি। মশামক কেজি ৫৬ কী কেটিগরিদা শান্নরম্বদগী কেজি ৬০ দা হাইগৎতুনা শান্নবা হৌরকপদগী কুমজা ২০১৭ তা মেদল অমা ফংখিবা অদুগী মতুং হৌজিক ফাওবদা মেদল অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। মমাঙগী রেকোর্দ য়েংলুবদা কুমজা ২০১৩ দা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী গোল্ড ফংখি।

কুমজা ২০১৫ দা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি অদুগা মমাঙগী চহীদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী বোক্সর মরিগী মনুংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মেদল ফংবা ঙম্বা বোক্সর অমা ওইরিবা সিভ থাপা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা মহাক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি। মহাকপু ইন্দিয়ন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা মনিস কোসিকনা মায়থীবা পীরম্বদগী মহাক কম্মনৱেল্থ গেমস অদু য়াওবা ঙমখিদবনি। হন্দক্কী এসিয়ন গেমসকী ক্বালিফায়িংদদি মহাকপু মায়থীবা পীরম্বা মনিস কোসিক মহাক্না অমুক থিন্দুনা ক্বালিফাই ওইরকপনি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮

# বি এফ সী সয়াংনা খুনৌ এফ সীদা অমসুং এম এফ এ কোন্থা খাবমনা য়ু টি এল দব্লিয়ু ও উরিপোকতা গোলগী নোং হৈথখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস) ঃ নেরোকা এফ সী ফেন্স ক্লব ওরেঞ্জ বৃগেদনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকাইদা লৈবা এস সী কে গ্রাউন্দদা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং খুদিংগী লেপ্তুনা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অনীদা এম এফ এ কোন্থা খাবমনা য়ু দি এল দব্লিয়ু ও উরিপোকতা অমসুং বি এফ সী সয়াংনা খুনৌ এফ সী লাইফম খুনৌদা গোলগী নোং হৈথখ্রে।

টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮ গী ৪১ শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী পি ৱাই পি সী পুংদোংবম অমসুং এন ৱাই এস এ নিঙোম্বম শান্নখিবা মেচ অদু এন ৱাই এস এনা পি ৱাই পি সীবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। এন ৱাই এস এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সচিন দেবনা মেচকী ২০ শুবা অমসুং ২৭ শুবা মিনিটতা গোল ২ চনখি। অদুগা ১৮ শুবা মিনিটতা পি ৱাই পি সীগী মহেশনা ওন গোল অমা চনখিবনি। মায়থীহৌরবা পি ৱাই পি সীগী অমতা ঙাইরবা গোল অদুনা লিনকননা মেচকী ৯ শুবা মিনিটতা চনখি। ৪২ শুবা মেচতা অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এস এফ এ কৈবী অমসুং আর এফ এ তোপ সিফাই শান্নখিবা মেচ অদু এস এফ এনা গোল ৩-২ দা মায় পাকখি। এস এফ এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সুরেশ, সোমরাজ অমসুং লানঙম্বনা গোল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা আর এফ এগী গোল অদুনা সুরজ অমসুং মোঙ্কোনা চনখি।

৪৩ শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী কে এফ সী খাবী অমসুং এস সী কে কোদোম্পোকপী শান্নখিবা মেচ অদু গোল ১-১ দা দ্রো চৎখি। ৪৪ শুবা মেচ ওইনা এস এফ সী অমসুং এম জি এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু এস এফ সীনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি।

৪৫ শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ এগী এম এফ এ কোন্থা খাবম অমসুং য়ু টি এল দব্লিয়ু ও উরিপোক শান্নখিবা মেচ অদু এম এফ এনা য়ু টি এল দব্লিয়ু ওবু ১০-১ গোলগী নোং হৈথদুনা মায়থীবা পীখি। য়ু টি এল দব্লিয়ু ওগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মালেমঙানবনা গোল ৭ অমসুং লনচেনবনা গোল ৩ চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা য়ু টি এল দব্লিয়ু ওগী গোল অদুনা থৌঙম্বনা চনখি।

৪৬ শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ সীগী এস এ ৱাই ও সী অমসুং এল কে ৱাই দি এ শান্নখিবা মেচ অদু এল কে ৱাই দি এনা গোল ১-০ দা মায় পাকখি। মেচ অদুদা এস এ ৱাই ও সীগী কার্লিস য়েল্লো কার্দ চাখি। ৪৭ শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ সীগী খুনৌ এফ সী লাইফম খুনৌ অমসুং বি এফ সী সয়াং শান্নখিবা মেচ অদু বি এফ সীনা খুনৌ এফ সীবু ১৭-০ দা গোলগী নোং হৈথদুনা শাথীনা মায়থীবা পীখি। বি এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রোনালজিৎনা গোল ১০, রোনিৎনা গোল ৪, প্রবেসনা গোল ২ অমসুং নেলসননা গোল অমা চনখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৮ শুবা অমসুং ঙসিগী অরোইবা মেচ ওইনা গ্রুপ সীগী কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ অমসুং ও এস এ ওইনাম শান্নখিবা মেচ অদু কে ৱাই এফ এনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী টিম শ্রী লঙ্কাগী টিমনা রন ৭ তা থোইদুনা সেরিজ ১-২ দা লৈরি



কলম্বো, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) ঃ শ্রী লঙ্কানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিমগা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিমগা শান্নবা য়ুথ ৱান দে ক্রিকেট সেরিজকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচ অদু শ্রী লঙ্কানা রন ৭ তা থোইদুনা ইন্দিয়াবু সেরিজ অদুদা মেচ ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

ঙসিগী মেচ অদু শ্রী লঙ্কাগী মায়কৈদগী হান্না বেট্টিং তৌখি। মদুদা টিম অদুগী অপূনবা ওভর ৫০ শান্নবগী মনুংদা বোল ৩ ৱাৎলিঙৈদা বেটসমেন ১০ মক আউট ওইরগা রন ২২০ দা ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

শ্রী লঙ্কাগী মাকৈদগী নবোদ পরানাভিতানানা বোল ৭৩ দা রন ৫১ লৌরম্বা অদুদা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাংখিবা অতোপ্পা বেটসমেন অদুদি বোল ৬৯ দা রন ৪২ লৌরম্বা ৱিকেটকীপর নিশান্ত মদুস্কানি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলর সিদার্থ দেসাইনা শ্রী লঙ্কাগী বেটসমেন অনী আউট তাহনখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি।

ইন্দিয়ানা রন ২২১ লৌরগা মায় পাক্কদবা মেচ অদু য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী নম্বর ৪ বেটসমেন পাৱন সাহ শ্রী লঙ্কাগী বোলরশিং অদুবু নিংথিনা মায়োক্ন দুনা রন লৌবা ঙমখি। বোল ১০ দা রন ১৪ খক লৌগদবা অদুদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন মরি শুপ্পগী রন ৬ খক লৌরগা আউট তাখিবদগী মেচ অদু রন ৭ তা ইন্দিয়া মায়থীখি। পাৱন সাহগী বোল ৯৪ দা রন ৭৭ লৌখিবা উপাই লৈখিদে। শ্রী লঙ্কাগী বোলর দুলসননা ৱিকেট ৩ লৌদুনা য়াম্না ফজবা ঙমখি। জুলাই ৩০ দা ইন্দিয়ানা অহানবা মেচ থোইখি। অনীশুবা মেচ অদুনা শ্রী লঙ্কানা ওগষ্ট ২ দা থোইবা ঙমখিবনি।

# অসাম রাইফলসকা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ শান্নখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস)ঃ বুংটে খুলেন খুঙ্গংগী শান্নবুংদা মফম অদুগী ফুটবোল টিম অমগা অসাম রাইফলসকী এন খুনাও বটালিয়ানগী ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অমা শান্নখ্রে হায়না প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (দিফেন্স ৱিং)না পীরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। হায়রিবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অদু রেদ সিল্ড দিবিজনগী মখাতা পাঙথোকপনি। মেচ অদু এন খুনাও বটালিয়াননা পাঞ্জল ৭-৬তা থোইখি। ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যরমেন অমসুং ভিলেজ য়ুঠ ক্লবনা রেদ সিল্ড দিবিজনবু থাগৎপা ফোংদোক্তুনা অসিগুম্বা মেচশিং অসি তোয়না পাঙথোকপগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

# চেছ সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস)ঃ চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ৩দগী ১১ ফাওবা হরয়ানাগী সোনিপটতা লৈবা হিন্দু কলেজ ওফ ইঞ্জিনিয়ারিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ওপন অমসুং নুপীমচাগী টুর্নামেন্ট ২০১৮দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শান্নরোয় খনবগী সেলেক্সন অমা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দা লৈবা একাদমী ওফ বেসিক চেছতা এদ-হোক কম্মিতি চেছ, মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১১দা পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিতি অসিগী চ্যরমেন লাইশ্রম অতেম্বীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। শরুক য়ানিংবা চেছ শান্নরোয়শিংনা ওগষ্ট ১০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম সবমিট তৌবা য়াগনি হায়রি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কম্মিতি মেম্বর ঐচ জোগেন্দ্র মীতৈ, এস মাঙ্গোলজাও মৈতৈ অমসুং লাইশ্রা অতেম্বীদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# দিভিয়াং প্রিমিয়র লীগতা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস) ঃ গোৱাগী মপুসাদা লৈবা দুলর ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা সেপ্টেম্বরগী ৫ দগী ৭ ফাওবা সী পি সেভেন এ সাইদ ফুটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা দিভিয়াং প্রিমিয়র ফুটবোল লীগ ২০১৮ দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী টিম শেম্নবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে। দিভিয়াং প্রিমিয়র লীগ অসিদা ক্বালিফাই ওইরবা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চাংদম্নগদৌরিবা দিভিয়াং প্রিমিয়র ফুটবোল লীগ ২০১৮ দা মণিপুর টিম শেম্নবগীদমক খনখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি ঙাঙোম ৱাংলেন মৈতৈ, এ বিতু রোই, এমদি বাহুদিন, কে কে নাখামো, এস রোমিকান্ত, দাইখো সিসোট, সন্তোস গুপ্ত, কেঐচ কাইফাস, সরাংথেম সুরেশ, এস চন্দ্রমনি, কে গোবিন্দ, এনজি রোবিন, জাংমিনলেন, এমদি সহিদ, য়ারেসেন য়েনাও, এ সুরেশ মৈতৈনি হায়না সেভেন এ সাইদ সী পি ফুটবোল ফেদরেসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এম ইনাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com